# ৱাই এ সী অমসুং ৱাই এস সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) : য়ঙ লানর্স লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওর্গেনাইজেসন কৈবিনা শিন্দুনা কৈবি ইরাবত গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১১শুবা য়োলল্লো কপ অন্দর-১৩ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ৱাই এ সী কৈবি কুমুদা অমসুং ৱাই এস সী লৈতানপোকপী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই এ সী কৈবি কুমুদা অমসুং জি এস সী পুখাও অহল্লুপ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ২শুবা মিনটতা ৱাই এ সীগী জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ বোবিনাওনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। জি এস সীগী মায়কৈদগীসু ৱাই এ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ১১শুবা মিনটতা জি এস সীগী জর্সি নম্বর ১২ টি ঐচ দিজেন্না ৱাই এ সীগী গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈখি। গোল ইক্কেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহেনবা গোল চন্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা ৱাই এ সীনা জি এস সীবু গোল ৭-৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ৱাই এ সীগী পেনালটিগী গোলশিং অদু সুরেস, বোবিনাও, বুলু, বাখে, আমন অমসুং তোম্বনা চনখি। জি এস সীগী পেনালটিগী গোলশিং অদুনা সুরমঙ্গল নিসমন এদিসন, থৌঙম্বা অমসুং অজয়না চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা পি এস এ এন পৌরাবি অমসুং ৱাই এস সী লৈতানপোকপী শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই এস সীনা পি এস এ এনবু গোল ৪-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ৱাই এস সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ৱাই রোহিটনা মেচকী ১৭শুবা, জর্সি নম্বর ১০ রানোনা মেচকী ২৫শুবা, জর্সি নম্বর ২২ অবুংচানা মেচকী ২৬ শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ চিত্তরঞ্জন্না মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# লিজবোন এফ সীনা দল্লিয়ু এফ সী মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) : তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না শিন্দুনা তেন্থা খোংবাল মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা পাঙথোল্লিবা ১০শুবা টি কে এ দল্লিয়ু ত্রোফি ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা লিজবোন এফ সীনা দল্লিয়ু এফ সী মোইরাংখোম্বু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৬না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোল্লিবা ১০শুবা টি কে এ দল্লিয়ু ত্রোফি ২০১৮গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা লিজবোন এফ সী অমসুং দল্লিয়ু এফ সী মোইরাংখোম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা দল্লিয়ু এফ সীগী জর্সি নম্বর ৬ রোবিনসন্না গোল ১ চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা লিজবোন এফ সীগী জর্সি নম্বর ৩ মিলন্না দল্লিয়ু এফ সীগী গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্কেলাইজ তৌখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা লিজবোন এফ সীগী জর্সি নম্বর ১১ সৈত্যসেন্না গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৪১শুবা মিনটতা লিজবোন এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ জামেসনা মহাক্কী টিমগী ৩শুবা গোল চনশিল্লগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা লিজবোন এফ সীনা গোল ৩-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

# এফ সী লমলাই অমসুং বোলেরো সেক্তা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) : ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা এফ সী লমলাই অমসুং বোলেরো সেক্তা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এফ সী লমলাই অমসুং বি এস য়ু ককচীং শান্নখি। মেচ অদু এফ সী লমলাইনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এফ সী লমলাইনা বি এস য়ুবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি। এফ সী লমলাইগী গোলশিং অদু অনোসনা গোল ২ অমসুং হেরোজিৎনা গোল ১ চনখি। বি এস য়ুগী গোল অদুনা হেরোজিৎনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা বোলেরো সেক্তা অমসুং লকি ষ্টার শান্নখিবা মেচ অদু বোলেরো সেক্তানা গোল ১-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

# ফোর ষ্টারনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস) : য়ু এফ সী নোংপোক লৌরেম্বম্না শিন্দুনা য়ু এফ সীগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৩শুবা ষ্টেট ওপন লম্বাময়ূম নোংথোন সিংহ মেমোরিএল সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী চেম্পিয়ন ফোর ষ্টারনা ওইখ্রে।

৩শুবা ষ্টেট ওপন লম্বাময়ূম নোংথোন সিংহ মেমোরিএল সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী ফোর ষ্টার অমসুং মাইচোন এফ সী শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৭শুবা মিনটতা মাইচোন এফ সীগী জর্সি নম্বর ৮ সুধিরনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী ফোর ষ্টারনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ফোর ষ্টারনা মাইচোন এফ সীবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখি। ফোর ষ্টারগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ গোপিনা মেচকী ৪২শুবা, ৪৩শুবা অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ২ রোজেন্না মেচকী ৫০ প্লস টুদা গোল অমা চনখি।

# মঞ্জিৎ অমসুং দিঙ্কুগী জুরানা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) : টামিল নাদুগী ত্রিপুরাদা মে ২২দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া জুনিয়র বোইজ দবল অন্দর-১৯ রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮দা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী শান্নরোয় কে ঐচ মঞ্জিৎ অমসুং কে দিঙ্কুগী জুরানা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মণিপুরগী কে ঐচ মঞ্জিৎ অমসুং কে দিঙ্কুগী জুরানা অহানবা রেঙ্কতা লৈরিবা বিষ্ণু বর্দন গোদ অমদি কৃষ্ণ সাই কুমার পোদিলিগী জুরাবু ২-০ (২১-১৩, ২১-১৮) দা মায়থীবা পীরল্লগা গোল্ড মেদল ফংখি।

# ষ্টেট লেভেল চৈবী টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস): ১৮শুবা অরাম্বম সোমেন্দ্র নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল কেদেট অমসুং জুনিয়র চৈবী ইনভাইটেসন টুর্নামেন্ট অমা জীরীবাম মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি। এসোসিএসন অসিদা এফিলিএট তৌরবা লূপশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াননবগীদমক এসোসিএসন অসিগী থৌবুরেল হেমজিৎতগী মে ৩০ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭১

১। ওলেম্পিক গেমসতা 'দবল' হায়বদি শান্নরোয় অনী অনীনা মীচং ওইরগা লম্বা তৌনবগী থৌরম কয়ামুক য়াওরি। খুদম ওইনা বেদমিন্টন দবলনি। ওলেম্পিক্কী থৌরম অমদা দবলদা সনাগী মেদল ফংখিবা লৈবাক অমগী টিম অমবু Quer Mann Pair হায়না খঙনখি। টিম অদুনা মায় পাকখিবা থৌরম অদুগী মমীং হায়য়ু?

২। রঙ্গাশ্বামী কপ্তা অসামনা অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা মণিপুর মচা অমনা টিম কেপ্তেন ওইখি। মহাক কনানো?

৩। কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিদা পোকপা নিপামচা অমা কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (ক্রিকেট) তা শরুক য়ারি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৪। মহাক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মীরৈবাক্তা ফুটবোল শান্নরুরে। মহাক ষ্টেট অমগী মিনিষ্টরসু ওইরম্মী। মহাক কনানো?

৫। লাই অসিদা উৎলিবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয়শিং অসি করম্বা সহরদা শান্নখিবা ওলেম্পিক গেমসতা নমখিবা ফোটোনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

অহানবা এ ইবোমচা মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# এম এল ভি এ ময়ায় লম্বী অমসুং পি ঈ দি দল্লিয়ু এ পোৎশংবম ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস) : লোইতাং লৈকিন্থাবী য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা অথোকপম ইবোমচা সিংহ মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলদা এম এল ভি এ ময়ায় লম্বী অমসুং পি ঈ দি দল্লিয়ু এ পোৎশংবম থেঙ্গাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না গ্রুপ ২ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা অথোকপম ইবোমচা সিংহ মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা গ্রুপ এগী ৱিন্নর ওইরিবা দি ভি এ-এ থৌবাল অমসুং গ্রুপ বিগী রন্নর্স-অপ তারিবা এম এল ভি এ ময়ায় লম্বী শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এম এল ভি এ ময়ায় লম্বীনা দি ভি এ-এ থৌবালবু ৩-২ (২৫-১৬, ১৮-২৫, ১৯-২৫, ২৫-২৩, ১৫-১১) দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইরিবা পি ঈ দি দল্লিয়ু এ পোৎশংবম অমসুং গ্রুপ এগী রন্নর্স-অপ ওইরিবা এল এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিনথবীগা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা পি ঈ দি দল্লিয়ু এনা এল এল ৱাই সীবু ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-২৩, ২৫-১৯) দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ খুদোংচাদবা খরদগী মতম কক্তুনা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।

